## রেপ তৌবা অমদি মীরোলহনবদা চেন্নবা মপা ফাদোক পীখ্রে

ইদুকি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা মচানুপীবু নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা কয়ারক হন্না মাঙহনবগা লোয়ননা মীরোলহনবদা চেন্নবা মপা ঙসি কেরলাগী কোর্ট অমনা চহী ৩১ গী ফাদোক পীখ্রে হায়রি।

স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর শিজো মোননা ঙসিগী ৱায়েল অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা কেরলাগী ইদুকী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোন্নাথাদি ভিলেজদগী নুপা অসিনা মতমদুদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপীবু হঞ্জিন হঞ্জিন নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবগা লোয়ননা ওৎ নৈবগী থবক চথুখি। তুংদা ভিক্টিম অদু মীরোল্লকপদগী পুক্নুংদা য়াওরিবা অঙাং অদু মাঙহনখিনবা মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপীদা খঙহনখি। এক্যুজ ওইরিবা মীওই অসি কিবদগী ভিক্টিম অমদি মমানা অঙাং অদুবু হোস্পিটালদা চত্তুনা লৌথোকখ্রবা মতুং ময়ুমদা হল্লকপগী মহুত্তা পুলিস ষ্টেসনদা চত্তুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কমপ্লেন তৌখি। মদুগী মতুং নুপা অসি ফাদুনা ৱায়েল চথুরকখিবনি হায়রি।

## ইন্দিয়া অমসুং চাইনা ঙমখৈগী মতাংদা খন্নসি য়াদে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবদু লাইবক থিবনি : সেন্টর

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনিজ মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথুরকখিবা অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা খন্নসি হায়বা য়াদে হায়বগীদমক ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অদু লাইবক থিবনি হায়না সেন্টরগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রালহাদ জোসিনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা যু পি এ লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদসু মসিগা চপ মান্নবা থৌদোকশিং থোকখি। যু পি এগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতম হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী জুলাই অমসুং কুমজা ২০১৪ গী জানুৱারী থাদা মতমদুগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা চাইনাগী মতাংদা খন্নসি হায়বদা অয়াবা পীখিদে। মখোয়না পৱার পায়রিঙৈদা পার্লিয়ামেন্টতা খন্নসি হায়বা য়াখিদবা ৱাফম অমবু মখোয়না অমুক ওপোজিসনদা লৈরবা মতমদা খন্নসি হায়বদা য়াদে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অসি লাইবক থিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী জুলাই ২৪ দা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা চাইনিজ অমসুং পাকিষ্টানি আর্মিশিংনা চথুরকখিবা কা হেনবা থৌওং অদুগী মতাংদা খন্ননবগীদমক বি জে পিগী মুরলি মনোহর জোসি অমসুং অতোপ্পা বি জে পিগী এম পি ১০ না হায়জখি। অদুবু মতম অদুদা লৈখিবা যু পি এ লৈঙাক্না ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অমদি পাকিষ্টানগা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা মরম্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা নৈনবদা মরম চাবা ৱাংলি হায়দুনা য়াখিদে। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৪ গী জানুৱারী ২২ দা বি জে পিগী এম পি প্রকাস জবেদকরনা ইষ্টর্ন অমসুং ৱেষ্টর্ন সেক্টর অনীমক্তা চাইনানা কা হেনবা থবক চথুরক্লিবা অদুগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন অমা মুভ তৌখি। মদুদসু পার্লিয়ামেন্টতা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবদা খুদোং চারোই হায়দুনা য়াখিদে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, যু পি এনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা খন্নসি য়াখিদবা অদুগী মরমগা ঙসি এন দি এনা পার্লিয়ামেন্টতা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা ঙমখৈগী শরুক্তা থোক্লিবা চয়েৎনবশিংগী মতাংদা খন্নসি য়াদবগী মরমগা চপ মান্নে। মসিদা ওপোজিসনন‍া সেসন মনুংদা অয়েৎপা কয়া থোকহনখিবা অদু লাইবক থিবনি হায়রি।

## সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্না কোভিদ মায়োক য়ানবগীদমক পুন্না থবক তৌমন্নিবা মথৌ তাই

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী ফিভম কন্ট্রোল তৌদুনা লৈবা ঙমখ্রে। লৈবাক অসিদা এক্টিব কেস মশিং ৪০০০ ফানা লৈত্রে। অদুবু ইন্দিয়াগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক চাইনাদা কোভিদ-১৯ ওমিক্রোনগী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.এফ ৭ না চৈথেং পীবা হৌরকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা হান্নগুম চৈথেং পীহল্লক্তনবগীদমক সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্না পুন্না থবক তৌমন্নিবগী মথৌ তাই হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাভিয়ানা ফোঙদোরক্লি।




ষ্টেট ষ্টেটশিংগী হেল্থ মিনিষ্টরশিংগা ভর্চুএল ওইনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা মীওই খরা ইনফেক্ট তৌহনখ্রে হায়বগী রিপোর্ট লৈরে। মরম অদুনা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা অহানবগী ওইনা ঐখোয়না পায়খৎপা য়াবা খোঙথাংদি মীয়াম তিনবা মফমদা হান্নগুম মাস্ক শিন্নিবা অসিনি। ষ্টেট ষ্টেটশিংগী মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা এৱারনেসশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী চাংসু হান্নদগী হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। চহী অসিগী লোয়শিল্লকপা অমদি হৌগৎলকপদা মীয়াম তিনবা য়াবা হরাউ কুম্মৈ কয়া লৈবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না হান্না চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং মপুঙ ফানা পায়খৎহৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## গাড়ি এক্সিদেন্টতা মীওই ৪ শিরে, ৪ শোক্লে

কবিরধাম, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ছটিসগরগী কবিরধাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা ঙসি থোকখিবা লাইবক থিবা গাড়ি এক্সিদেন্টকী থৌদোক অমদা গাড়ি অদুদা তোংলকখিবা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৪ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লাইবক থিবা থৌদোক অসি ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা কুকদুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা অগরপানি ভেল্লি মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি ফাগু য়াদব (৬০), সতি বাই (৩৫), কৌস্যলয়া (৭০) অমসুং মালটি (৪৫) নি। মখোয় সকিন খুঙ্গংদগী ঙাক্তনি। এক্সিদেন্টতা শোক্লবা মীওই ৪ অদু হৌজিক হৌজিক গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা ট্রিটমেন্ট চথুরি হায়রি।

কবিরধামগী এদিস্নেল এস পিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ইমুং অমত্তগী মীওই ঙাক্তনি। মখোয় এল্লাহবাদতগী ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মখোয় ৮ তোংদুনা থৌরকখিবা গাড়ি অদু কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী ফিট ৪০ রোম লুবা তুরেলদা তাশিনখিবনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৬৩ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৬৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৬৩ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৬,৬৭৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৩৮০ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ৯ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৯০ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

## এম পি কানিমোঝি ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়াখ্রে

থানে, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াবগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা দি এম কেগী এম পি কানিমোঝিসু খোঙচৎ অসিদা ঙসি শরুক য়াখ্রে হায়রি।

হরয়ানাদা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা ঙসি শরুক য়াখিবা এম পি কানিমোঝিনা ফোঙদোকখিবদা, অমত্তা ওইবা ইন্দিয়া অমগী পান্দমদা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবা হায়বসি লাইবক ফবনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা মীয়াম্না মপুঙ ফানা শরুক য়াদুনা হেন্না মায় পাকপা খোঙচৎ অমা ওইহনসি। খোঙচৎ অসি পোলিটিকেলগী খোঙচৎ ওইনা ঐখোয়না লৌরোইদবনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী খোঙচৎনি হায়না এম পি অসিনা ফোঙদোকখি।

## কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি কুমজা ২০২৪ মীখলগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অমদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট খরগী ওইবা মীখলশিংগী মতাংদা অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহন্নবগী মতাংদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট মলিকঅর্জুন খর্গেনা চ্যের লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পার্টি অসিগী ওইনা লৈরিবা জেনরেল সেক্রেটরিশিং, ষ্টেট ষ্টেটশিংগী ইনচাজশিং, পি সী সীগী প্রসিদেন্টশিং অমদি সী এল পি লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মথং চহীগী জানুৱার ২৬ তগী হৌরগা থা অনী চুপ্পা চথগদবা দ্রাইভ টু জোইন হেন্দসকী থৌরমসু হৌদোক্নবা খন্নখি।

রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোট, ছটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বাঘেল, জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কে সী ভেনুগোপাল, লোক সভাদা হাউসকী লীদর ওইরিবা অধির রঞ্জন চৌধুরি য়াওনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুগা মরী লৈননা পার্টিগী প্রসিদেন্ট খর্গেনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা হৌজিক হৌজিক লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসিনা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্না পার্টি অসিদা থাজবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরক অসিদা পার্টি অসিগী ওইনা লৈরিবা লুচিংবশিংনা অমুক্কা হেন্না হোৎনদুনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিবু চাওনা মায়থিবা পীনবা হোৎনবগা লোয়ননা মথং চহীদা ষ্টেট খরগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলশিংদসু পার্টি অসিনা মায় পাক্তুনা পৱার পায়বা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## মথং চয়োলদা কর্নাটকা অমসুং মহারাষ্ট্র ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিল্লগনি : মিনিষ্টর




নাগপুর, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নাটকা ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা চয়োল অমগী মতুংদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর শম্বুরাজ দেসাইনা ফোঙদোরক্লি।

ঙমখৈগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কর্নাটকা গভর্নমেন্টকী ওইনা ঙরাং ঙমখৈগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা মখোয়গী ওইবা রিজোলুসন অমা লৌখ্রে। রিজোলুসন অদুগী মতুংইন্না ষ্টেট ইন্টরেষ্টতা মখোয়গী গভর্নমেন্টনা থবক তৌগনি অমদি লম ইঞ্চি অমা ফাওবা শোকপা য়ারোই হায়না লৌখিবা ফিরেপ অদুদগী ঙসি মহারাষ্ট্র গভর্নমেন্টনা লৌরিবা ফিরেপ অসি শরুক ১০ হেন্না ফৈ।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর য়াওনা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টরনা হান্না য়ানখিবা ৱাফমশিং ইকায়খুম্নবা উৎখিদে। মহরাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ শিন্দে অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর দেভেন্দ্র ফদনাভিসনা ৱাথোক অসি ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা পাল্লি। অদুবু কর্নাটকাগী মায়কৈদগীদি মসিদা য়ানিংবা উৎলকখ্রে। মহারাষ্ট্রগী ওইনসু ষ্টেট অসিগী লমগী শরুক অমত্তা মাঙবা য়ারোই অমদি হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবীনবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা হায়জখ্রে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমদি ঙমখৈগীদমক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চপ চানা লেপ্পুনা লৈরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দ্রগ ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ফাখিবশিংগী মনুংদা পুলিস ৫ য়াওরি



স্রিনগর, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
জম্মু অমসুং কাস্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা পাকিষ্টানদগী পুশিল্লকখিবা য়াম্লবা দ্রগশিংগা কোন্নমা মীওই ১৭ পুলিসনা ফাখিবা অদুগী মনুংদা ৫ দি পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা মীওইশিংনি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস য়ৌগল কুমার মনহাসনা ফোঙদোকখিবদা, পাকিষ্টানদগী লৈবাক অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দ্রগশিং পুশিল্লকপগী থবক অসি কনখৎলক্লি। মরুওইনা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা দ্রোন শিজিন্নদুনা অমদি নুমিদাংগী মতমদা ঙমখৈগী শরুক লানশিল্লক্তুনা দ্রগশিং অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা লল্লোনবগী থবক তৌরি। দ্রগশিং অসি পাকিষ্টান্দগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কেরান সেক্টর ফাওরগা পুশিল্লকখিবনি।

মফম অসিদা দ্রগ লল্লোনবগী থবক পাক শন্না চথুরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং পুলিসনা মীকুপ নাহুম শিংনা অরানবা মওংদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অসি ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। পুলিসনা কন্না হোৎনদুনা ফাবা ঙমখ্রবা দ্রগ লল্লোনবা মীওই ১৭ অদুগী মনুংদা পুলিস পর্সনেল ৫, পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট ১, কন্ট্রেক্টর ১ অমসুং দুকান ফম্বা মীওই ১০ নি। মখোয় ১৭ মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৪ নি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

**MANIPUR FOOD INDUSTRIES CORPORATION LTD.**
(A Government of Manipur Undertaking)
Administrative Office: Takyelpat Industrial Estate, Imphal West, Manipur
---

**NOTIFICATION**
Imphal, the 21st December, 2022

**No. MFICL-PMFME/1/2021/(Pt.-VIII):** The Manipur Food Industries Corporation Limited (MFICL) invites applications from retired Govt/Bank Officials, Insurance agents, Bank Mitras, Consultancy firms and Individual professionals as Resource Persons (RP) at District Level for the 16 (sixteen) districts of Manipur for expansion / upgradation of Prime Minister Formalisation of Micro Food Processing Enterprises (PMFME) Scheme.

Applicants having the following qualifications will be considered for selection as Resource Person (RP) in order of preference as given below:

i) First preference: Diploma / Degree in Food Technology with experience
ii) Second preference: Diploma / Degree in Food Technology without experience
iii) Third preference: Degree in Agriculture and experience in Food Technology and preparing DPRs etc.
iv) Fourth preference: Any graduate having knowledge of making DPRs and experience in food processing activities.

**Responsibilities of RP:** Providing handholding support to individual units and groups for preparation of DPR, taking bank loan, obtaining necessary registration and licenses including food standards of FSSAI, Udyog Aadhar, GST etc.

**Remuneration of RP:** As fixed by MoFPI, Government of India. Rs. 20,000/- per bank loan sanctioned to individual units / groups. 50% after sanction of loan and remaining 50% after the units obtain GST & Udyog Aadhar registration, compliance of FSSAI standard, implement the project and given training.

Interested persons may submit Resume along with the following documents to the office of MFICL at Takyelpat Industrial Estate, Imphal West District, Manipur addressed to Managing Director, MFICL on or before 20.12.2022 during office hours.

**Submission of documents will be extended upto 15.01.2023.**

1. Aadhar / Voter Card
2. Food Technology / Agriculture Degree / Graduate Certificate
3. Highest qualification certificate
4. Experience Certificates

In case of non-availability of suitable candidate for a district, RP of a district may be given responsibility of RP of adjoining / nearby district (s).

Sd/- **Dr. K. Lunkim**
OSD, MFICL

HL-P/5497/24 & 25

**In the High Court of Manipur**
**At Imphal**
**W.P.(C) No. 1058 of 2022**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 read with 227 of the Constitution of India praying for issueing a writ of Mandamus or any appropriate writ or order(s) or directions(s) which the Hon'ble Court may deem fit, proper and just in the nature of the present case.

**Shri. Wungreikhan Kasar, aged about 36 years, S/o K. Phungmi, a resident Sikibung Village, Phungyar Sub-Division, P.O. & P.S. Litan, Ukhrul District, Manipur -795145.**
*... Petitioners*

*– Versus –*

**The Union of India represented by the Secretary Ministry of Road Transport & Highways, Transport Bhawan, 1, Parliament Street, New Delhi-110001 & 74 Ors.**
*... Respondents*

To

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Yarngam Rimai (L S 10) | *Respondent No. 14* |
| 2 | B. Francis Seizakai (L S 11) | *Respondent No. 15* |
| 3 | V. Sochipem (L S 12) | *Respondent No. 16* |
| 4 | JS Winson (L S 13) | *Respondent No. 17* |
| 5 | NS Sethstone (L S 14) | *Respondent No. 18* |
| 6 | NS Sethstone (L S 15) | *Respondent No. 19* |
| 7 | Seikholun Baite (L S 16) | *Respondent No. 20* |
| 8 | B. Hemkhotong (L S 17) | *Respondent No. 21* |
| 9 | Hemtinlen Baite (L S 18) | *Respondent No. 22* |
| 10 | Helinah Muivah (L S 19) | *Respondent No. 23* |
| 11 | Ramung Ngalung (L S 2) | *Respondent No. 24* |
| 12 | B. Sheithing (L S 20) | *Respondent No. 25* |
| 13 | Hemkhothang Baite (L S 21) | *Respondent No. 26* |
| 14 | NS Ningchangla (L S 22) | *Respondent No. 27* |
| 15 | Hatneihoi Touthang (L S 23) | *Respondent No. 28* |
| 16 | Neikholam Baite (L S 24) | *Respondent No. 29* |
| 17 | Lunkhongam Baite (L S 25) | *Respondent No. 30* |
| 18 | Alhing Khongsai (L S 26) | *Respondent No. 31* |
| 19 | Thomas Horam (L S 27) | *Respondent No. 32* |
| 20 | Thanmi Ngangak (L S 28) | *Respondent No. 33* |
| 21 | Roken Lungleng (L S 29) | *Respondent No. 34* |
| 22 | Hemkhothang Baite (L S 30) | *Respondent No. 35* |
| 23 | Hemkhothang Baite (L S 31) | *Respondent No. 36* |
| 24 | B Kamkholun (L S 32) | *Respondent No. 37* |
| 25 | Marsus Ngashangva (L S 33) | *Respondent No. 38* |
| 26 | Hemkhothang Baite (L S 34) | *Respondent No. 39* |
| 27 | T Rocky (L S 35) | *Respondent No. 40* |
| 28 | M Vareiyo (L S 36) | *Respondent No. 41* |
| 29 | D Thotwon (L S 37) | *Respondent No. 42* |
| 30 | AS Tilanmi (L S 38) | *Respondent No. 43* |
| 31 | Thotreingam Angkang (L S 39) | *Respondent No. 44* |
| 32 | Hemkhothang Baite (L S 4) | *Respondent No. 45* |
| 33 | Ng Mataimi (L S 40) | *Respondent No. 46* |
| 34 | K David (L S 41) | *Respondent No. 47* |
| 35 | Lunkhojang Baite (L S 42) | *Respondent No. 48* |
| 36 | Arson Keishing (L S 43) | *Respondent No. 49* |
| 37 | Ningkham Keishing (L S 44) | *Respondent No. 50* |
| 38 | AS Focus (L S 45) | *Respondent No. 51* |
| 39 | Shangreiyo (L S 46) | *Respondent No. 52* |
| 40 | M Vangai (L S 47) | *Respondent No. 53* |
| 41 | Leishiwon Konghar (L S 48) | *Respondent No. 54* |
| 42 | S Stephen (L S 49) | *Respondent No. 55* |
| 43 | K David (L S 5) | *Respondent No. 56* |
| 44 | S Horngam (L S 50) | *Respondent No. 57* |
| 45 | M Shinglai (L S 51) | *Respondent No. 58* |
| 46 | NK Achan (L S 52) | *Respondent No. 59* |
| 47 | AS Jesse (L S 53) | *Respondent No. 60* |
| 48 | Shinglai Thothuingam (L S 54) | *Respondent No. 61* |
| 49 | MK John (L S 55) | *Respondent No. 62* |
| 50 | Thomas Horam (L S 56) | *Respondent No. 63* |
| 51 | K Khathing (L S 57) | *Respondent No. 64* |
| 52 | T Ngamjathang (L S 58) | *Respondent No. 65* |
| 53 | Seingam Baite (L S 59) | *Respondent No. 66* |
| 54 | Hemkhothang Baite (L S 6) | *Respondent No. 67* |
| 55 | Anonimus (L S 60) | *Respondent No. 68* |
| 56 | AS Simeon (L S 61) | *Respondent No. 69* |
| 57 | Hemkhothang Baite (L S 62) | *Respondent No. 70* |
| 58 | Helkhoson Touthang (L S 7) | *Respondent No. 71* |
| 59 | KS James (L S 8) | *Respondent No. 72* |
| 60 | NK Achan (L S 9) | *Respondent No. 73* |
| 61 | Government (Forest) (L S 1) | *Respondent No. 74* |
| 62 | Police Station (L S 3) | *Respondent No. 75* |

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 06.12.2022 passed in WP(C) No. 1058 of 2022 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the respondent Nos. 14 to 75 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and another in Vernacular.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date *i.e.* 17.01.2023 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 22nd December, 2022.

*By Order,*

By: **Mr. I. Denning, Advocate**
*(Counsel for the petitioner)*

Sd/- **ASSISTANT REGISTRAR-I**

HL-P/5489/24 & 25